**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-02-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা সরভিকেল কেন্সরদগী ঙাকথোকবা হ্যুমেন পাপুলোমা ভাইরস (ঐচ.পি.ভি) ভেক্সিনেসন কেম্পেইন হৌদোকখ্রে। ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসন কেম্পেইন অসি লৈবাক অসিগী ওইনা রাজস্থানগী আজমিরদগী প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা নুপী অমসুং অঙাংশিংগা মরী লৈনবা অনা লায়েংগী থবকশিং তৌগদবা এম্ব্যুলেন্স ৩৩ লমথাখি। শ্রী খেমচান্দনা জেনিমসকী রেজিষ্ট্রেসন কাউন্টর, ভেক্সিনেসন রুম অমসুং ওবজারভেসন রুমনচিংবদা চৎতুনা য়েংশিনখি। মহাকা ডাক্তর, নর্স অমসুং হকশেলগী তেংবাংশিংগী কান্নবা ফংলবা মীওই খরগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিন কাপখিবী নুপীমচা অমদসু মুখ্য মন্ত্রিনা ভেক্সিনেসন সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি। মহাকা জেনিমস মনুংগী লম্বীশিংদসু চৎতুনা য়েংশিনখি।

তুংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-জেনিমস হোস্পিতাল মনুংগী লম্বীশিং অথুবা মতমদা শেমজিনবা হৌরগনি।

ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসন কেম্পেইনগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক শিনবা থুংবদা পায়খৎলিবা অখন্নবা ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙজং অসিনা নহা ওইরিবা নুপীশিংদা সর্ভিরকেল কেন্সরদগী ঙাকথোকপদা শিংথানিংঙাই ওইনা মতেং পাংলগনি। জেনিমসকী কেম্পসপু মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎতুনা অনা লায়েংগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবসু

হোৎনগনি হায়না শ্রী খেমচান্দনা ফোংদোক্লি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন, চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**সাইন্স (এল)ঃ** লৈবাক্কী মফম কয়াদা ঙসি নেসনেল সাইন্স ডেগী থৌরম পাঙথোক্লি।

ভারতকী মমিং লৈরবা বৈগ্যানিক-সি.ভি. রামননা, রামন ইফেক্ট পুথোকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা পালন থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৩০ দা সি.ভি. রামনদা ফিজিক্সতা নোবেল প্রাইস পীখি।

জাতিগী বিগ্যানগী নুমিৎনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা য়াইফ পাউজেল পীরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয়গী বৈগ্যানিকশিং, থিজিন হুমজিল্লিবশিং, ইনোভেটরশিং অমসুং একাডমীসিয়ানশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। মখোয়না চোকথবা লৈতনা হোৎনবদগী ফংল্লকপা লৌশিং গ্যানশিংনা মীওইবা খুন্নাইগী পুন্সি মহিং শিংথানিংঙাই ওইনা ফগৎহনবা ঙম্লক্লি। মখোয়গী কৎথোকপা অমদি খাঙবা কনবগা লোয়ননা হোৎনবগী মহৈনা জাতি অসিবু হেন্না চাউখৎপা ওইহল্লসনু হায়রি।

**লৌমী (এল)ঃ** লৌমাশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া য়াওবা চেরোল অমা ঙসি মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং বিরোধি দলগী লুচিংবা-কৈশাম মেঘাচন্দ্রদা পীশিনখ্রে হায়রি।

মনিপুর লৌমী মরুপ, মনিপুর লৌমী লুপ, কংগ্রেস কিষান সেল, সংজক্তা কিষান সভা অমসুং ওল হন্দিরা অগ্রাগামিগী মীহুৎশিংনা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহনবীনবা ৱাফম য়াওরি।

**ভিক্সিত(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ ঙসি মোইরাং কলেজগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু, মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. থোঙাম শান্তিনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা মোইরাং কলেজগী প্রিন্সিপাল-ডা: মহামদ রাহিজ উদ্দিন, মাই ভারত বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী জোইন্ট দাইরেক্তর-এস. ধনাচন্দ্র, মোইরাং কলেজগী এন.এস.এস. সেলগী প্রোগ্রাম ওফিসার-কে. অজাদ অমসুং রিজনেল ন্যুজ য়ুনিট, অকাশবানি ইম্ফালগী এসিস্টেন্ট দাইরেক্তর-কোঞ্জেংবম সোনিকুমার শরুক য়াখি। য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অদুদা কলেজকী মহৈরোই ১১ না অথোই অহেন তান্নখি।

**কাউন্সিল(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী মখাদা পাঙথোক্লিবা হয়ার সেকেন্দরি ইগজামিনেসনগী ঙসি ফুংয়ার হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা তাবা মহৈরোই অমনা স্মার্ট ফোন শিজিন্নরম্বগীদমক তাম্থোকখ্রে।

মহৈরোই অদু চহি অনি মখা তানা পরিক্ষা থাবা য়ারোই হায়রি।

**ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ** নম্বুল তুরেলগী ঈশিংদা প্লাষ্টিকা মোৎশিলহল্লিবা অমদি মীয়ামা মায়োকরিবা ঈশিংগী অৱাবা থেংননবা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বগী মতাংদা লমদম অসিগী পাউমীশিংগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৬ শুবা মিদিয়া ফেল্লোসিপ প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্তিং ইন মণিপুরগী থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু সিংহনা হায়-ঈশিং য়োকশিনদুনা থম্বগী মতাংদা অখন্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা হোৎনবা মতম ওইরে। মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি

থিংনবা হোৎনবদা মীয়াম হুপা শরুক য়ামীন্নবসু ভাইস চাঞ্চেল্লরনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজাকুমার সিংহনা হায়-অইং আশাগী খল কায়থরকপা অমদি সসটেনেবল দিবলপমেন্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লবসু মদুগী মহে ফংবগী চাংদি য়ামা নেল্লি। অইং আশাগী খল কায়থরকপগী মতাংদা নীংথিনা থিজিনদুনা মসিবু থিংনবা হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে।

থৌরম অদুদা হোংলক্লিবা অঈং অশাগী খলনা পীরক্লিবা চৈথেং, মরুওইনা ঈশিংগী সমস্য অমসুং ইম্ফাল সহর ফাওদুনা চেল্লিবা নম্ল তুরেলদা পাক্তকনা প্লাষ্টিক থাদরক্লিবা অসিগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** মোর্চা অমসুং জিলা থাক্কী ওইবা পন্দিৎ দিল দয়ার উপধ্যায়া প্রসিক্সান মহা অভিয়ান ২০২৬ ঙসি বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারিময়ুম সরদা দেবীনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী হেভি ইন্দষ্ট্রি এন্দ ষ্টিলগী রাজ্য মন্ত্রি-ভুপাতি রাজ্ শ্রীনিবাসা বরমা, দল অসিগী মনিপুরগী প্রভারি-ডা: অজিত গোপচারে, মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম.এল.এশিং-থোঙাম বিশ্বজিৎ, করাম শ্যাম অমসুং দিগাংলুং গাংমৈ য়াওনা দলগী মকোক থোংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসি গ্রাস রুট লেবেলদগী হৌনা বি.জে.পিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** ফেরজোল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফোরম সেক্সুয়েল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট-২০১২ গী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসারনা লমদম অদুগী খুলগী লুচিংবশিং অমসুং য়ুথ ক্লবশিংগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ফেরজোলগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মনুৱামচিংনা হায়-আইন অসিগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনদুনা চহি ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদা নমজা নমথেকবগী থৌওংশিং থিংনবা হোৎনগদবনি।

**কোর্ট (এল)ঃ** মণিপুর হাই কোর্ট লিংখৎখিবগী ১৩ শুবা কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ক্রিমিনেল লোগা মতাংদা লেকচর সেরিজ অমা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর হাই কোর্ট অমসুং মণিপুর জ্‌দিসিয়েল একাদমি অনিনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা সুপ্রিম কোর্টকী জজ, জষ্টিস শঞ্জয় কারোল, সুপ্রিম কোর্টকী জজ, জষ্টিস এন. কোতিশ্বর, হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস এম. সুন্দরনচিংবা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী টেকিকেল সেসনদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ভারতকী অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**নোনে (এল)ঃ** এন.এফ.রেলৱে প্রোজেক্টনা শোকহল্লবা নোনে জিলাগী মনুংদা লৈবা কারুংমুৱান নুঙতেক ভিলেজকী লম মপুশিংনা ক্ষেতিপুরোন পীবিনবা তকশিল্লদুনা ঙসি নোনে রেলৱে ষ্টেসনদা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মখোয়গী ৱাফম অসি কুমজা ২০২৪ দগী হৌজিক ফাওবা লোয়শিনবীদনা লৈরি হায়না পেন্দবা ফোংদোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা রেলৱে এফেক্টেদ লেন্দ ওনরস এসোসিয়েসনগী চেয়ারমেন-ফোর্সসন খুম্বানা হায়-কয়ারক হন্না মরী লৈনবা ওথোরিতিদা মেমোরেন্দমশিং পীশিনদুনা তকশিল্লবসু মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্তবদগী ৱাকৎ খোঙজং অসি পাঙথোকপনি।

**কেজ্রিৱাল (এল)ঃ** আরবিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং মনিস সিসোদিয়াবু ঙরাং কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না থাদোরকখিবা অদুবু আম আদমি পার্টি-মনিপুরনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনসু কেজ্রিৱাল থাদোরকখিবা অদু গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল কনখৎলকবা লম্বী অমনি হায়না শিংথারি।

**কেম্প (এল)ঃ** নোনে জিলাগী হাউচোং সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কবুই খুল্লেন পার্ট টুদা ঙসি লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-নোনেনা কবুই খুল্লেন ভিলেজ ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুদা নোনেগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: আজিন মরিংমৈ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইম্যুনাইজেসন ওফিসার-ডা: জেন্দুম গোলমৈ শরুক য়াখি।

**ভিপি ঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-মরোমদোম লেপচবা ঙমবা অমসুং শক্তি লৈহন্নবগীদমক মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহনবা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে।

কেরলাদা সেন্ট ভরচমান্স কলেজগী সেন্টিনারি সেলেব্রেসন লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-ভারত্তা লম কয়াদা টেকোলোজিশিং হেন্না চাউখৎহন্দুনা ঙসিদি লৈবাক অসি টেকোলোজি ইনোভেসনগী লমদা মাংজিল থানা চংশিল্লক্লি।

**রিজিজ্ঃ** কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজজ্না হায়রি-দিল্লি এক্সাইজ পোলিসি কেসকা মরী লৈননা আম আদমি পার্টিগী নেসনেল কনভেন্নর-অরবিন্দ কেজ্রিৱালগী মতাংদা ফোংদোরক্লিবা ৱাফমশিং অদু

অরানবনি।

হিমাচল প্রদেসকী কংগ্রা ইয়ারপোর্টতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী রিজিজ্না হায়-কোর্টকী ৱাফম অদুদা অরানবশিং য়াওরল্লবদি হেন্না ৱাংবা কোর্ট অমদা নৎত্রগা হেন্না চাউবা বেঞ্চ অমদা পুখৎপা য়াই। এ.এ.পিগী সেনিয়ার লিদরশিং জেলদা থমবা হোৎনরিবা অদু দল অসিবু মপাঙ্গল শোন্থহন্নবনি হায়না শ্রী কেজ্রিৱালনা হান্ননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু শ্রী রিজিজ্না য়াখিদে।

**পোলো ঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ৩২ শুবা গভনরস কপ ইনভাইটেসন শগোল কাংজৈ পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা-চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব-কোংপালনা এক্স পোলো ক্লব-ৱাংখৈবু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখ্রে।

নুপীগী ফাইনেল মেটচতনা-চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব-কোংপালনা অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিমবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-চেম্প ক্রিকেট ক্লব-খাগেমপলিনা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি-লংথাবালবু ৱিকেট অহুমদা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু রন-১৬৩ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-আর.এন.ই.এফ. মিকা-ময়াং ইম্ফালনা ৱাই.এ.সি. য়াইস্কুলব্ রন-৮ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** তেন্থা খোঙবাল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন (তকৱা) না শিনদুনা চথরিবা তকৱা ৱিমেন্স কপ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-য়ুথ ৱেলফিয়ার ক্লব-থম্বালখোংনা মনিপুর য়ুনাইটেদ ফুটবোল একাডমীবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। হয়েং য়ুথ ৱেলফিয়ার ক্লব অমদি ই.এস.য়ুগা সেমি ফাইনেল শান্নগনি।

**ফুটবোল ঃ** মেজর ডা: জোতিন সিংহ্ অশোক চক্র পি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইলিট এফ.এনা ময়াং ইম্ফাল য়ু.এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।